# মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী নীংশিং ‘ষ্টাম্প’ ফোঙখিবদা মহাক্কী মপোক চহী য়াওরক্তে হায়বা

- খুন্দোংবম কুমার -




হন্দক চহীসি ইমিং চৎচরো তমখ্রমাল্লে, ইরাইবক ফবনি। কনাগুম্বা শ্রীশামুলাইলাৎপম প্রহলাদ শর্ম্মা কৌবা অমনা পাউচে অসিগী জুন ২৮, ২০১৯গী ইরাই নুমিৎতা হাপ্পীরকপা, ***“ইনি দয়া লৈঙাক্লা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী নীংশিং ‘ষ্টাম্প’ ফোঙখিবদা মহাক্কী মপোক্কী চহী য়াওরক্তে, মহাক্তি খৃ: ১৭২৯গী মনুংদা তশেংনা পোকখি”*** হায়বা ৱারেংসিদা ঐহাক্কী মীং য়াওবীরকপা করিসু কায়দে নৈনবনি। ঐহাক রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী পুথোকপদা য়াওজখিবা শক্লাইরবা মীশকসু নত্তে। লোয়ননা রাজর্ষিগী অনৌবা মমিং/মীংলেন থোঞ্জিন্দুনা মীনম্বা পুৱারী পুথোক্লবা থৌরাংলিবা মীশকশিংদুগী মরক্তা ঐহাক্তি য়াওজবা ঙমজরোই। ঐহাক্তি কর্ত্তা শাগৈশিংনা পুথোকচখিবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী খৃ: ১৭৪০দুতবু শৌগৎচরগা মীয়ামদা হায়লাইট তৌজবখক্তনি। ষ্টাম্পগী ৱাফমসু অদুমঙাই, রেকোর্দতা ফংজবদুখক্তং মীয়াম খঙনবা শন্নপ্না ফোঙদোকচবনি অদুগা ষ্টাম্পকী মশাদা পোকপা/শিবগী চহী হাপ্পা নৎত্রগা হাপ্তবগী ৱায়েৎ নৈনরুবা ঐহাক্কী মথৌ তাদে অঙম্বশিংগীনি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র পোকপগী ৱায়েৎ পাউচেশিংদা পংইদা ইনরকপগী মতাংদা, ওজা অমনা পেল্লক্তদুনা পাউচে অনীদা কর্ত্তাশিং অমসুং স্কোলরশিংদা ৱারৌরপ তৌনা ইবিরকপা চিঠিসু পাজরুই, পোৎলোইগী মতাংদা পনবিরকপসু থেংনজরুই। ফনবু তান চারে মীচম ঐহাক্লা খঙজবা খজিক্তংদি ফোঙদোকচরমগে। থাগৎচরি ওজা নোংথোম্বম হেরামনি।

ৱাফম অমদি হান্না থমজরমখিগে - মথক্তা পঞ্জরিবা ৱারেংসিগী অইবা অমদি পাউচেশিংদা চিঠি ইবিরকপা অইবশিংনা ওজা বি এম মাইস্নামগী, ***“রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী ১১মক ফাগী তারক্কদৌরে... অরোইবা ওইনা অনৌবা জন্মকুষ্ঠি মরি-মঙা ইথোক্লগা য়েংলসি”*** হায়বা ৱারেং অমা পাউচে অসিমক্তদা মরীক চুম্না মে ৩১, ২০১৯দগী জুন ৮, ২০১৯ ফাওবদা পরিং নাইনা চথরকখিবশিংদু নৈনবীরমগনি খল্লি। পোষ্টেল ষ্টাম্পকী মতাংদসু ফজনা য়াওখ্রবনি। ঐহাক্কীদি শন্নপ্না চাউরাকপা থমজখিবনি। অদুবু অমুক হন্না পল্লবদা,

1. Somarat Prithviraj Chauhan (1162 A.D. - 1192 A.D)
2. Raja Bhamashah (1542 A.D. - 1598 A.D)
3. General Zorawar (1786 A.D. - 1841 A.D)
4. Rajarshi Bhagyachandra (1740 A.D. - 1798 A.D)

হায়রিবা মীশকশিং অসিগী ব্রেকেট মনুংদা ইদুনা লৈরিবশিংসিনা তাক্লিবদি, খুদম - রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কুমজা ১৭৪০দা পোক্লগা কুমজা ১৭৯৮দা লৈখিদবনি হায়বনি। কনাগুম্বনা (প্রহলাদ শর্ম্মা) "enlightened" গী ৱাহন্থোক মরম ইচা চাদনা পুশিল্লকই। মদুদি দেক্সনারিদা য়েংবীরো। Abstract Noun দগী Verb ওল্লকপা অদুদগী Verb মশামক্তদগী Verb ওইরকপা নৈনবীয়ু কান্নগনি, মীরোলনি ঐহাক্তি অদুক হাক্লা খঙজদে। পঞ্জরিবা শক্লাইরবা/মঙাল লৈরবা লৈখিদ্রবা মীশক মরিসিগী ‘ষ্টাম্প’ মশাদা পোকপা/শিবগী চহী অমত্তা হাপ্তে, থেংনদে। মীৎয়েং তাবীগনি।

নেসন অসিগী মপানি হায়রিবা ‘মহাত্মা গান্ধী’ গী ‘ষ্টাম্প’ মশাদা মহাক্কী পোকপা/শিবগী চহী হাপ্তে, অদু ওইরবদি মহাত্মা গান্ধীগী মপোক চহী খঙদদুনা হাপ্তে হায়গদৌরিব্রা? অতৈ অতোপ্পদদি হাপ্লম্বা য়াই ঐহাক্তি থেংনজদে হায়জবনি। শ্রীপ্রহলাদ শর্ম্মনা হায়বিরকপা, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক কুমজা ১৭৪০বু য়াবা কাঙবুনা পোষ্টেল ষ্টাম্পকী/মতাংগী পন্দুনা ইরকপা ঙাইরকপনি হেক্তা হায়জিল্লকই। করিসু কায়দে পূক্লিং লৌশিং ওইবীয়ু, অদুগা হায়দা হায়রুরগা লোইনা খঙলবনি/উরবনি হায়বগী মওংদা লাক্লিবা নাপলদুদি খরা থাদোকপীবা ফৈ। অদুবু ঐঙোন্দদি ঙক্লা থোক্তে। অদোম্না মপান লমগী পুৱারী নৈনবীদুনা, Prithviraj Chauhan গী মপোক অনী শুরে হায়দুনা চুম্মী/লাল্লি নৈনবীবা থাগত্তবা ঙমদে অদোমগী হোৎনজমননি। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগীসু অদুমঙাই। অদুবু চুমগেরা/লানগেরা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়ারদুনা থবক ওইনা পাঙথোকখ্রে। ঐহাক্কীদি রেকোর্দতা ফংজবদু মীয়ামদা উৎচবখক্তনি। নিংদোন পোম্বীরুনু। মতাংসিদা ষ্টাম্পকী ৱাফমসিমা থাদোকচরে।

ওজা অমগী চিঠিগী মতাংদা মীচম অমা ওইনা খঙজবা খরা ফোঙদোকচরমগে ৱারৌবিরোই খল্লি :- অচুম্বমকনি, মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্র মৈত্রবাক মণিপুর পূম্বগী নিংথৌরেল ওইরম্মী খঙনরে। অদুবু মহাক্কী মপোক চহী মথৌ তারকপদা চৈথারোল কুম্বাবা (রোয়েল ক্রোনিকল) ফাকৎনরুরে, লাচল্লমদবনা থেংনদ্রে। অসিগুম্বা মতাংসিদা রাজর্ষিগী হৌরকফম লীক্লম থিনরকপদা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা হায়রগা মহাক্কী লৈহৌরিবা মচা-মশুশিং, চাদাশিং হায়বদি কর্ত্তাশিংগী ৱাফম নৎত্রগা মত লৌবা য়াম্নমক মথৌ তারকই লোয়ননা হিষ্টোরিয়নশিং হায়বদি অখঙ অহৈ কয়াদগী মরী মখোং খোমজিনবা হায়বসি মালেমগী মীপূম খুদিংমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু কর্ত্তা শাগৈগী ওইনদি অখঙ অহৈ মাইচৌ পণ্ডিট কয়া তানরগা/নৈনরগা রাজর্ষিগী মপোক কুমজাসি খৃ: ১৭৪০গী ইঙা ২৭নি পানবা লৈবাকপোকপা (শকাব্দ ১৬৬২) নুমিত্তা তারে হায়দুনা (চহী ২০মুক অদুৱাইদা ওইরম্বা য়াই) পুথোকচখ্রে। লোয়ননা পদ্মশ্রী সনখ্যা ঝলজিৎস্নানা ইংরাজি লোন্দা স্কৃপ তৌবা রাজর্ষিগী শন্নপ্পা পুন্সি ৱারেং ফাওবা চাইথোকখ্রে। রাজর্ষিগী পোষ্টেল ষ্টাম্প ফাওবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুমজা ‘২০০০’ গী দিসেম্বর ৩১দা ইস্যু তৌবীখ্রে হায়না পঞ্জখ্রে। হন্দক মৈদিংঙু নরসিংহ মহারাজগী পোকপগী থৌরম নরসিং শাগৈনা পাঙথোকচখিবগী ঈ-পাউ তাজে। রাজর্ষিগী ওইনদি মীচম ঐখোয়না মাঙজিন থাদুনা পাঙথোক্লুবা কয়া ফজগদবা মান্দে, মীগী চালুক্তা খুজাই থাংজিল্লুবা তাগনি, অদুবু লৈবাক্কী ওইনা খল্লগা রাজর্ষিবু নুংশিজবা অমদি অচুম্বা পুৱারীবু থিজিঞ্জদুনা পোকপগীবু ওইরো, লৈখিদবগীবু ওইরো থৌরম পাঙথোক্লবদি পংতৌ তৌনরি। মসিদা মীচম ঐখোয়গী ইতিক লৈজদে।

মথংদা থমজরিবদি, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক কুমজাগী ৱায়েৎ অমদি মহাক্লা পুথোকপীরল্লিবা পোৎলোইগী ৱাফমদি খরবু ঙাইখসি। মীনম্বা ৱাশেম লাইরিক্তা য়ূম্ফম ওইরগা চহী লিশাং শিৎনা শুমাং লীলা/ড্রামা কয়া শান্নখ্রে। খোংজোম পর্ব্বদা পামহৈবা পোকপগী মীনম্বা ৱারীগী শৈশক কয়া ঐহাক্লা অঙাং ওইরিঙৈদা তাখ্রে। মসিদগী হেন্দোক্তুনা ঙসিদি য়ূম্ফম য়াওদবা শেমজিনশাজিনবা, মৈদিংঙু খরবু পাউথোকপীবা/মীংচৎ থীহনবা মীচমসু নত্তবা অৱাংবা থাক্কী লাইরিক-লাইশু হৈরবা মীশক ফাওবনা ইবা লাইরিক কয়া ফোঙনখ্রে, ফোঙনা ফাওবা য়োন্নখ্রে, লৈনখ্রে, পানখ্রে। ইচম চম্না লৈজরম্বা মীওই কয়া ফাওবা য়াওনা অচুম্বা পুৱারীগী ঈ-পাউনি হায়না লৌনখিবসু য়াওনখ্রে। মসি য়ৌখ্রবা থাকসিদা কনাগুম্বা অমত্তনা ৱা মচেৎ অমফাওবা ফোঙদোকখিবা থেংনখিদ্রি। অদুবু কর্ত্তা শাগৈগী মীহুৎ খরনা লুচিংদুনা অতৈ নিংথেমচা খরা, ভাগ্যচন্দ্রবু নুংশিবীবা মীচম খরা য়াওনা মথক্তা পঞ্জরিবা খূৎশেম লাইরিক্কী অইবা অমগী ময়ূমদা ফাওবা চত্তুনা ৱাফংনবদি য়াওনখ্রবনি। ৱাখলসু তামিন্নখ্রে হায়। কর্ত্তা শাগৈশিং অমসুং অতৈ নিংথেম মচাশিং তুমিন্না লৈরমগনি হায়বা থাজদে, মরমদি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ/পামহৈবগী চাদা নাউদাশিংনি।

মথংদা মীয়ামদা থমজনীংলিবা ৱাফম খরদি - হৌখিবা চহী কয়ামুক্কী মমাঙদা অখঙ-অহৈ, মাইচৌ/পণ্ডিট কয়ামনা ইবিরম্বা ৱারেং-শৈরেংগী ওইবা লাইরিক খরা থেংনজৈ। লাইরিকশিংদুগী মনুংদা খরা অমনা লাইনীং অমবু মথৌ হাপকৎনবা মৈত্রবাকসিগী লৈহাওগা শুকচা চান্নদনা ইবিরম্বা কয়ামা, খরা অমনা লাইনীং অমবু থৈদোকহনখিনবা ওইথোক্লোইদবা থৌদোক্কি ৱাফম কয়া হাপচিন্দুনা ইশিল্লম্বা থেংনদবা নত্তে। মখোয়শিংদুগী মনুংদা ‘মণিপুর ইতিহাস - মৈতৈ পুরান, বিজয় পঞ্চালি, গরিবনিৱাজ ও শ্রী ভাগ্যচন্দ্র চরিৎ’ পনবা য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবদি, মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক্কী চহী থিনরকপদা হায়রিবা লাইরিক (বিজয় পঞ্চালি) অসিবু মৈদিংঙু অসিগী হৌরকফম লীক্লম/লিখুন ওইনা পুথোক্লরকপদি য়াফম থোক্তে। মরমদি লাইরিক অসি পুৱারী নত্তে হায়বসি কয়ারক হন্না থম্নখ্রবনি হায়বদি মৈত্রবাক্কী লৈহাওগা চানদে। অদুনা হায়রিবা লাইরিক অসি কাব্য (নোভেল) ওইনা লৈজখ্রসনু।

মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্র অপঙবা নিংথৌ নত্তে, মঙাল লৈরবা নিংথৌ অমনা মহাক্কী মচাইবুংঙো নবান্দদা অসিগুম্বা মৈত্রবাক মণিপুরগী লৈহাওগা চানদবা ৱারী লীরমগনি থাজদে। রাজর্ষি শ্রীগোবিন্দজিগী অশেংবা ভক্ত ওইদুনা মপুন্সি চূপ্পা শ্রীকৃষ্ণদা কথোকচখ্রবসু, মহাক্লা মৈতৈশিংগী অরিবা লাইনীং, নাট, উমংলাই হরাউবনচিংবা নাথৈরম্বগী অমদি তাথী-তাওইনা তৌরম্বগী ঈ-পাউ ফংদে। চৈথারোল কুম্বাবদা অসুম্না পীরি, “হিয়াঙ্গৈ থা ২২নি পানবা শগোলশেন্দা মহারাজ জয়সিংহনা ভাগবতি ঠাকুরগা কবো খুমপোংময়ূমচা মনিরাম সিংহ চিদানন্দগা মপু মনাই ৩মগা তানদুনা মৈতৈ কংলৈপাক্কী শক অমা লীংখত্তুনা পাঞ্জি থোকএ,” (কুম্বাবা চেমাই/১২৩, পরেং ৬শুবা) অসিনি। অসুম্না রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা মৈত্রবাক মণিপুরবু ‘কংলৈপাক’ থোল্লম্বগী খুদম লৈরি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা, শ্রীপ্রহলাদ শর্ম্মগী ৱারেংগী অরোইবা ৱাহৈ পরেংদা হায়রিবা, ***কনাগুম্বনা লন্নাই ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা... ইনফোর্মেসন পীরম্বগীদমক চৈরাক ফংলোইদবগী মরমসু লৈতে,”*** ৱাফমসি হাকমল্লি। খজিক্তং খন্থবীবগী মথৌ তাই খল্লি। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কর্ত্তাশিংগী অতোপ্পা নত্তে, মবুধৌ পুরেননিনে। কর্ত্তাশিংগা লৈবাক্কী ওইনা ষ্টাম্প পুথোক্লবগী থৌরাং তৌনরকপদা রাজর্ষিগী মপোক খৃ: ১৭৪০দু চুম্লে খল্লগা, প্রাইমারি সোর্স লৈগেরা/লৈরোইরা, ইন্দিয়া লৈঙাক্তা থাজিনখিবনি হায়বসি মশানা তাজরে। মদুসু অখঙ অহৈ মাইচৌ পণ্ডিট কয়া য়াওরিবনি। করিগীদমক্তা লন্নাই লোভি তৌনগদৌরিবনো, মথৌ তাদে। ৱাফমসিমা থুপচিনখিবনা তুংগী অফবা ওইগনি।

অরোইবদা পাউচেসিবু পাবীরিবা মীয়ামগী মফমদা থমজরিবদি, ইজরিবা ঐহাকসি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী পুথোক্লবগী ৱায়েৎসি মখা তাজররোই হায়জরুরবনি। অদুবু মতাংনা মতমনা য়ারক্তবদগী অমুক থমজবনি, ঙাকপীগনি। অশোয়-অঙাম, হেন্দাক-হেঞ্জিন য়াওরগদি চুমথোকপগী তাঞ্জা লৌজগে। ●

# ইমা! ঐনা নঙবু নুংশি

- বিদ্যারানি লৈমা (গঙ্গা) -



খুরুমজরি ইমা! ইমাদগী হৌবনি। ইমাদবু লোইবনি। পোকপা শিবগী পন্থুংনি। তাইবঙ মীওইবা ঐখোয় পূম্নমক য়াওনা অচৎপা চত্তবা লেংলি পাল্লিবা অমদি পোৎশক খুদিংমক মালেম ইমাগী তম্পাক্তগী হৌরকপনি, ওইরকপনি অমদি মসিদা লৈবনি। পাক চাউখ্রবা মালেম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মশীং য়ামখ্রবা মীওইশিং অঙৈং-অশা খেন্নবগী মতুংইন্না কাঙলূপ ফুরুপ নাইনা লৈরিবশিং মখোয় মখোয়গী তাইবঙ মীওইবা ওইরকখিবগী ৱারী তোপ তোপ্পা লৈজৈ। অঙৈং-অশা খেন্নবা, লাইনীং মান্নদবা মতুংইন্না মীতৈ লৈশেম্লোন লাইনীংদা শন্নপনা তাইবঙ শেম্বীবা মপুনা লাইনিংথৌ সনামহীদা মপু মহাক্কী মীতম মাননবা শানবা হায়বদগী শাদুনা মীওইবা ওইনা শকফম লৌদুনা ঐখোয় মীওইবনি হায়না লৈরিবসিনি। মতৌ অসুম্না মশীং য়াম্বা য়ামদবা থিদনা কাঙলূপ খুদিংমক্কী হৌরকফম লাইনীং মখোয় মখোয়গী চপ চানা লৈজৈ। খুদিংমক অসি লৈদুনসু, তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না উরিবা পোৎশক খুদিংমক্কী হৌরকফম, ওইরকফম অমদি লৈফম মীওইবগী চাউরাকপা ৱাখল্লোন্দি মালেম ইমাগী তম্পাক্তনি। ৱাফম অসিনা হায়বদি মালেম লৈকোয়পুঙ ইমা হায়না ঙসি ঙসিমক ঐখোয়না হিংদুনা লৈরিবসি মালেম ইমা মহাকসু ঐখোয় মীওইবা, শা-ষণ, উপাল-ৱাপাল, হৈপাল-লৈপালগুম অমদি অহিংবা, অচৎপা, অরেংবা পোৎশক অমনি। মসিনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা কাঙলূপ ফুরুপ মীওইবশিংনা মখোয় মখোয়গী লাইনীংগী ৱাখল্লোন্দা ঙসিগী মালেম অসি তাইবঙ মীওইবগুম অহিংবা অমনি হায়বসিগী ময়েক লারবা খুদম অমনি।

অমরোমদা, সাইন্সকী মিৎয়েংদগী য়েংলগসু ঙসি ঐখোয়না খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা হিংমিন্নরিবা পূম্নমক অসিগী তুংনফম ওইরিবা মালেম ইমা অহিংবা, অরেংবা অমনি। ৱাফম অসি লৈবনা শা-ষণনচিংবা শেম্বীবা মপুনা ৱাখল খন্থনবগী লৌশিং পীবিরমদবা মখোয়গীদমক নৈনখ্রবশিং থোয়দোকত্রে। অদুবু ঐখোয় মীওইবনদি মালেম ইমা অসিবু করিসু লৈতনা মমল লৈতবগুম খনবা মসিদগী হেন্না লানবা অনী শুররোইদ্রবরা খল্লি। মালেম ইমাগী তম্পাক অসিদা হৈ, লৈ, উপাল মশীং থিঙমদনা হৌরি। পূম্নমক অসি মীওইবা তাইবঙ অমত্তা খঙনদবা লৈতে তৌবতবু মালেম অসিদা লৈরিবা কনা অমত্তনা মালেম ইমা অসিসু অহিংবা অমসুং লেংলিবা অদুমক্কি হাক্লা লুনা লৌনদ্রে। মসি পূম্নমক্কী ইহুল অসি তাইবঙ মীওইবদা মখোয় মখোয়গী থম্মোয়দা মালেম ইমাবু মশক খঙদবদগী ফাওরকপনি। মসি পূম্নমক মালেম ইমাবু মশক খঙদবগী ময়েক লারবা খুদমনি। অসিগুম্বা ইমাবু মশক খঙদবা ওইবগী ৱাখল্লোন অসিনা মাঙজিল থারগা মালেম ইমা অহিংবা অচৎপা অরেংবা পোৎশক অমনি থম্মোয়দা খঞ্জগদবা অদু লাপ্পা হুন্দোক্তুনা নাথৈদুনা লৈরি। হীরম অসোমদা মালেম ইমাদা মীওইবা তাইবঙনা করি করম্বা মিৎয়েংদা য়েংলিবগে ঙসি ঙসিমক্কী শুরোলনা য়াম্না কুপথনা খন্থমিনবা চঙই। মালেম ইমাগী তম্পাক অসিদা হিংলিবা মীওইবনা ইমা মহাক্কী খন্দবা হায়বসি মসিদগী হেন্না লংজনীংঙাই থোইদোক হেন্দোক্লা লৈত্রবরা খঞ্জে। অদুনা মীওইবা ওইনা পোকপীরবনিনা পূম্নমক্কী হৌরকফম ওইরিবা মালেম ইমা মমাঙগী মাননবা ৱারেংশিংদা নৈনজখ্রে। মদুদি মালেম ইমা ঐ, ঐখোয়নি, ঐখোয়গুম্বনি।

তশেংবসু মালেম ইমা তাইবঙগী ওইনা য়েংবদা মীওইবা ইমা মহাক্কী শক্তম, মওং মতৌ, লেংলি পাল্লিবা অমগা চপ মান্নে। খেন্নবা হায়ববু মীওইবনা খন্থবদা ইমা মহাক্কী পাক চাউবসি চাউমনখিবনা ৱাখলনা লামশিনবদা ওইথোক্তবা অমগুম খল্লি। অদুবু মালেম ইমাগী তম্পাক্তা ইমা মানা পোকপীরিবা মশীং থিঙমদনা য়ামখ্রে। মসিগী মশীং লেপ্পদি মীওইবা তাইবঙনা মঙমলরোই। অদুবু খঙজিলমিন্নগদবদি মীওইবনা চাদা-নাওদা তাদুনা মখোয়শিং অদুবু য়োকপী-থাকপীবগুম মালেম ইমাসু মহাক্কী তৌফম থোকপা মথৌ-মঙম ফজনা পাঙথোক্লি। পলেম মমা ওইবীশিংনা খোল্লাং ইন্দুনা, মশামক্তদগী পীথকপগুম, মালেম ইমানসু মহাক্কী তম্পাক্তা লৈরিবা অহিংবা অচৎপা-চৎতবা অমদি উপাল ৱাপাল, অশংঅমান, হৈপাল-লৈপাল খুদিংমকপু অমত্তা হেক চিত্থদবমখৈ কোরৌথক্তগী ইপানা খিকথরকপা নোংলিক মালেম ইমাগী তম্পাক্তগী হেক চিৎথদবমখৈ কোরৌথক্তগী ইপানা খিকথরকপা নোংলিক মালেম ইমাগী তম্পাক্তগী হেক তাখিবা থংনবা মীৎকুপ্তা লাইজ ঈশিং ওইহনবীদুনা পূম্নমকপু অরাম খৌরাংবা কোকহনবীরি হিংহনবীরি। তাইবঙগী মীৎনা উরিবা মশীং থিঙমদ্রবা হৈপাল, লৈপাল, অশং-অমান পাম্বীশিং নাপী-শিংবীশিং পূম্নমক মালেম ইমাগী তম্পাক্তগী হৌরকপনি। ইমা মানা পোকপীবনি। মতৌ অদুগুম্না মীৎনা উরিবা লেংলি পাল্লিবা অচৎপা-অরেংবা শা, উচেক খুদিংমকসু পোকপীবনি। ইমা মহাক্লা য়োকপীবনি, থাকপীবনি। তাইবঙ মীওইবগী পলেম ইমানা লৌরিবা থৌদাং মালেম ইমানসু চপ চানা লৌরি। অপীকপা ওইবগী মীওইবা শা ঙা ঙাক্তনি। অচৌবা ওইবগী মালেম ইমানা মশীং থিঙমদনা লেংলি পাল্লিবশিং ঐখোয় খ্বাই পূম্নমকপু পোকপীরি থাকপীরি।

পূম্নমক অসিবু মালেম ইমানা অহিংবা ওইরমদ্রগদি ওইথোক্লমগদ্রা? মালেম ইমাবু নুংশিবা অমদি কল্লোইদবগী মরম মীওইবশিংগী থম্মোয়দা লৈরোইদবগী মরম করিবু লৈবগে? মালেম ইমানা য়াইফরে, পোক্লফম লমদম ইমা লৈবাক্লা মহেল্লি। ●

১২ শুবা ডিস্টর্বেন্স ফ্রী এজুকেসনেল জোন দিমান্দ নুমিৎ-২০১৯
COME ONE AND ALL
LET'S RAISE OUR VOICE ALTOGETHER
Let us demand for a Disturbance free Educational Zone.
Let's treat Education as an essential service.
STOP BOMBING SCHOOLS, School is not a Battle Ground, don't try to make it one.
STOP IMPOSING HEAVY EXTORTIONS ON EDUCATIONAL INSTITUTIONS
Exempt Educational institutions from Bandhs & Blockades.
Be aware, be involved, be supportive, be promotive for a Disturbance free Educational Zone.
Lets observe the 12th Disturbance free Educational Zone Demand Day, On 5th of July, 2019 at Tribal Research Institute (TRI), Chingmeirong.
Co-Ordinating Committee On
DISTURBANCE FREE EDUCATIONAL ZONE DEMAND
( MGLWA, CASA, AMSGO, AMCTA, AMESTA, AMASEA, AMGACTA, SESM, AMSSTA, AMRPSWA, ATSUM, AINS, DESAM )
COME ONE AND ALL
LET'S RAISE OUR VOICE ALTOGETHER
HL-C/150/5




APOLLO TUTORIAL CENTRE
Moulding Medical and Engineering Career
Admission Open For
2nd Foundation Course
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
English Tution- Sunday & Holiday ( Morning)
Class Commence : 15th July 2019
Apollo - NEET (UG)
Regular Medical Entrance Course 2019-20
Intake capacity : Only 25 students per class
Special feature :
Extensive and intensive teaching - learning system
Class Commence : Ist Week of July 2019.
Physics Faculty: Madam Tamphasana, Former Lect.: HRD Academy, St. Joseph's School, Maria Montessori Sr. Sec. School
Chemistry Faculties: 1. Miss Nuja, Lect. COMET Sch. 2. Miss Saroja, Lect. MEM Hr. Sec. Sch.
Biology Faculties: 1. Miss Lunfasana, Former Lect. HRDA 2. Sir Romharsha, Lect., KP College
Maths Faculties: 1. Sir. L. Basanta, Former Lect.: HRDA 2. Sir Ingobi, Lect. ADVANCE Sch.
English Faculty: Sir. Susil Singh, Former Lect. : Little Master Sch. KP College & DAV
Facilities : Free Text Books Sets, Study Materials, Weekly Unit Test . Van Services Hostel (Boys & Girls) Office timing: 7 am - 7 pm
Pliz contact : Apollo Office, Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal-795001
HL-B/5460/11-30june/1-10july

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।